**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা নোং চুবদগী রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং থুমজিনবনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে।

২) মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংলগা মখা তানা হয়েং অমসুং হংচিৎ স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে।

৩) মণিপুর লৈঙাকা অহল ওইরবশিংগী ঙাকপী শেনবীনবা শেমখিবা মণিপুর মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়র সিতিজন রুলস ২০২৩ থৌবাল জিলাদা ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে।

৪) বি.জে.পিনা হায়রি- চহি অমা থা খরা হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং রাজ্য সভাদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট হেমন্ত সোরেন ঝারখন্দগী ১৩ শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

------

নোং (এল)ঃ মণিপুরদা নুমিৎ খরনি লেপ্তুনা নোং চুবদগী রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঈশিং থুমজিনবনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সি অমসুং লন থুমশিং মাং তাকহল্লে। মসিগী মথক্তা মহৈ মরোংশিংসু অমাং অতা থোক্লে। ঙসি নোং চুবগী

চাং খজিক্তং হন্থরবসু ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরিবা মফমশিংদগী ঈশিং চেন্থফম লৈতবনা থুমজিনবা মফমশিংদগী ঈশিং ময়েং তাবগী চাং য়ামা ৱাৎলি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- সরকারগী মাইকৈদগী অমদি লনাই মীওইশিংনা হৌজিক ঈশিং থুমজিনদুনা লৈবা মফমশিংদগী মী অমদি পোৎ চৈ হোন্দোকপগী থবক লেপ্তুনা চথরি। লোয়ননা সরকারনা মেছিন্নচিংবা শিজিন্নদুনা তুরেল লৌনম্বাল থোনগৎপা অমসুং ইরম নালানচিংবা শেংদোক্তুনা ঈশিং ময়েং তাহন্নবা হোৎনরি। অদুমকপু মরী লৈনবা পুমমকা অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎপীদুনা তুংদুনা ঈশিংশিং অসি থুনা চেন্থখিনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না মীয়ামা আপীল তৌনরক্লি। লোয়ননা ঈশিং থুমজিনদুনা লৈরিবা মফমশিং য়াওনা লম্বী থোং খরদা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ঙরাংদগী হৌরগা ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায় ফাওবদা রাজ্য অসিদা চুখিবা নোংগী চাং অসি ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা মিলিমিতর ৩২.৮, তমেংলোংদা মিলিমিতর ৬০.১, বিষ্ণুপুরদা মিলিমিতর ৪৯.২, চুরাচান্দপুরদা মিলিমিতর ১৬, চান্দেলদা মিলিমিতর ৬ অমসুং কাংপোকপী জিলাদনা মিলিমিতর ১৮ গী চাং ওইখি।

মরক অসিদা, ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা তেংবাং পীবা অমসুং থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থিংননবা হোৎনরি। এন.দি.আর.এফকী টিম অনি য়াওনা খুঞ্জাশিং, সেন্ত্রেল পুলিস ফোর্স, ষ্টেট পুলিস, ফয়ার ব্রিগেদ অমসুং আই.আর.বিগী অপুনবা কাংবুশিংনা মী কনবা অমসুং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিং তেংবাং পীবগী থবক চথরি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফমশিংদা ঈশিং থুমজিনখিবদগী অসাম রাইফলসনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৮০০ শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে। লোয়ননা তুরেল তোর্বান কায়দনবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গা খুৎশমদুনা অনিরকশুবা তাংখুল আর্টস এন্দ ক্রাফট ইগজিবিসন অমসু কামজোং জলাগী ফুংয়ারদা হৌদোকখ্রে।

মনিপুর ফয়ার সার্ভিসনসু হন্দক্কী ঈচাও অসিদা অৱা অনা তারবা মীওই ৭০ শাফগদবা মফমশিংদা পুথোরকখ্রে হায়রি।

হেলথ (এল)ঃ মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা রাজ্যগী হেলথ দাইরেক্তোরেটনা লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী ওফিসতা কন্ট্রোল রুম অমা, রুম নম্বর ১২১ দা হাংদোক্লে। ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা অনা অয়েক য়াওরকপা মীওইশিংনা মোবাইল নম্বরশিং-**700-572-7796** অমসুং **700-574-3775** তা পাউ ফাওরকপা য়াগনি হায়না দাইরেক্তোরেট অসিগী চেরোল অমদা হায়রি।

স্কুল ছুতি (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম অসি য়েংলগা মখা তানা হয়েং অমসুং হংচিৎ স্কুলশিং ছুতি থাদোকখ্রে। ইজ্কেসন (এস)কী দাইরেক্তর এল. নন্দকুমার সিংহনা ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়- ঈশিং ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়া অমদি মহৈ লোইশঙশিং ঈশিং থুমজিনখিবা অমদি মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংবু অশোই অঙাম থোক্তনবা লৌখৎলকপা খোঙথাং ওইনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট অমসুং সেন্ট্রেল স্‌্কলশিং লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা ছুতি থাদোক্লে।

নিংশিংবা য়াই, হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিনা রাজ্য অসিদা নোং কা হেন্না চুবদগী রাজ্য অসিগী মফমশিং মরুওইনা তম্পাক্কী মফমশিংদা ঈশিং থুমজিনখিবদগী রাজ্য সরকারনা থা অসিগী ৩ অমসুং ৪ স্কুলশিং ছুতি ওইরগনি হায়না লাউথোকখিবনি। মসিগী মথক্তা সরকারগী লোইশঙখরা ঙসি ফাওবা ছুতি থাদোকখিবনি।

থৌবাল (এল)ঃ মণিপুর লৈঙাকা অহল ওইরবশিংগী ঙাকপী শেনবীনবা শেমখিবা মণিপুর মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়র সিতিজন রুলস ২০২৩ থৌবাল জিলাদা ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে অমদি আইন

অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবা থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- মণিপুর লৈঙাকা রাজ্য অসিগী অহল ওইরবা মমা মপা অমদি সেনিয়র সিতিজনশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংনা ওৎপী নৈবীবা নত্রগা থৌওইনা তৌবীদবা মতমদা মখোয়গী মেন্টিনেন্স তানবা য়ানবগী শেন্বা আইন অসি মণিপুরগী গেজেদতা নোতিফাইদ তৌখ্রে। কনাগুম্বনা আইন অসিগী মখাদা কান্নবা লৌগে হায়রবদি আইন অসিগী মখাদা লৈগদবা মেন্টিনেন্স ত্রাইবুনেলগী প্রিসাইদি ওফিসার ওইগদৌরিবা সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট থৌবাল অমসুং লিলোং নত্রগা দিপ্যুতি কম্মিসনার থৌবালদা ৱাকৎপা য়াগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জিলা অদুগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসারনা মণিপুর মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফ্যার ওফ পেরেন্টস এন্দ সেনিয়র সিতিজন্স রুলগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসার, সেনিয়র সিতিজনশিং, পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পিনা হায়রি- চহি অমা থা খরা হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং রাজ্য সভাদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী জেনেরেল সেক্রেটরি কে. শরতনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবদা রাজ্য অসিদা ইরাং শুকলৈ লৈত্রে হায়বা নত্তে, হান্নদগী খরা হন্থরে হায়বনি। প্রধান মন্ত্রি মশামকা ইরাং অসিগী ফিভম য়েংশিল্লি হায়বদু মহাকা ঙরাং ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুনা খঙবা ঙমলে। এম.পি- অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী শরতনা হায়- সংসদকী সভাদা পংলাউ লাউবগী মহুৎতা ইরাং

অসি লোইশিন্নবা কংগ্রেস দলগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং পুখোল্লুল্লবদি হেন্না ফগদবনি। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্টনা হন্দক্তা দিল্লিদা দলগী নেসনেল প্রসিদেন্ট য়াওনা লুচিংবা কয়া উন্নদুনা ইরাং অসি লোইশিন্নবা তকশিনখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দলগী মচিন চৎপা মীশক এল. বসন্তনা হায়- সুগী মতাংদা মণিপুর সরকারগী মশাগী ওইবা ফিরেপ হান্ননা ফোংদোকখ্রবনি। সু লৌথোকপা লৌথোক্তবা হায়বসি হৌজিক্তি কেন্দ্র সরকারগী মখুৎতা লৈরে। মহাকা হায়- মীয়ামা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা মখোয় মখোয়গী মোৎ কয়া পীরক্লি। রাজ্য সরকার অমসুং দল অসিনা কুপা য়েংশিনদুনা মদুবু থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনরি। শ্রী বসন্তনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা তাঙ্কক অহুল্লক্তা ৱা ঙাংখ্রে। মরম অদুনা ইরাং অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোংদোক্তে হায়বসি অরানবনি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমারনা ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েটতা শমপুর্নাতা অভিয়ান কেম্পেন হৌদোকখ্রে। থৌরম অদু ভারত সরকারগী নিতি অয়োগকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শিনবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ.দি.সি চান্দেল, এস.দি.ও খেনজোই, এস.দি.ও চকপিকারো, সি.এম.ও চান্দেল, দি.পি.ও, আই.সি.দি.এস অমসুং জেদ.ই.ও চান্দেলনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা লৌমী ১০ দা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা সোইল হেলথ কার্দশিংসু খুৎশিন্নখি।

বন মহোৎসব (এল)ঃ মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কলেজ পাঙ্গৈ অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশমদুনা ঙসি বন মহোৎসব থৌরম পাঙথোকখ্রে। এ গ্রেট ফোরেষ্ট ফেষ্টিভেল হায়বা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মদুদা স্পেসিয়েল সেক্রেটরি ফোরেষ্ট এন্দ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট সেন্ট্রেল সার্কল আর.কে

আমরজিৎনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অদুদা ইন্সপেক্টর জেনেরেল ওফ পুলিস- কবিব কে, মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কলেজ পাঙ্গী প্রিন্সিপাল এস. গৌতম য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

নুমিৎ পালন অসিগা মরী লৈননা এম.পি.টি.সিগী উ চারা ৩০০ রোম থাখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অনিনা খুৎশমদুনা- বন মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা উ থাবগী থৌরম প্লান্ট ফোর মাদর ঙসি হৌদোকখ্রে। চয়োল অমা চুপা চখ্থগদবা থৌরম অদুদা এ.দি.এম তমেংলোং- চুংলেনমাং, জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসার কে.ঐচ. হিটলর সিংহ অমদি সি.আর.পি.এফকী মীওইশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদ্না দি.এফ.ও- কে.ঐচ. হিটলর সিংহনা হায়- উ থাবনা খ্বাইদগী হেন্না কান্নরিবসি মহৌশাগী ফিভম কনবা অমসুং অঙ্গং অশাগী খল ঙাকা থম্বগা লোয়ননা ঈশিং ঈচাউ অমসুং ঈকং থোরকদগী ঙাকথোকপা ঙমবনি। মীয়ামসু উ পাম্বী অমমম থাবীদুনা মহৌশাগী খল কনবদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না শ্রী হিটলরনা মখা তানা ফোংদোকখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মহেশ চৌধরিনা লুচিংদুনা ঙসি জিলা অদুদা অঙাং লুহোংবা, অঙাং লল্লোনবা অমসুং চাইল্ড লেবর থিংনবগী মতাংদা কেম্পেন চখ্থনবগীদমক মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল মেনেজমেন্ট এসোসিয়েসন (আই.আর.এম.এ), এন.জি.ওগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। দিপ্যুতি কম্মিসারনা জিলা অদুগী ট্রান্সপোর্ট ওফিসিয়েলশিংদা লম্বী অদুদা চৎলিবশিং গাড়িশিং নিংথিনা চ্যেক তৌদুনা আইন কায়না অঙাংশিং পুথোক পুশিন তৌবা থিংনবসু খঙহনখি।

ঝারখন্দ ঃ ঝারখন্দ মুক্তি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট হেমন্ট সোরেন ঝারখন্দগী ১৩ শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। মহাকপু রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি চম্পাই সোরেন্না মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখ্রবা মতুং, রাজ্যপালনা হেমন্ট সোরেনবু অনৌবা সরকার শেমনবা বার্তন তৌখিবনি। চম্পাই সোরেন থা মঙা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ফম পুরমখি। মহাক ঝারখন্দগী ১২ শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ২ দা ৱাশক লৌখিবনি।

হেমন্ট সোরেন লম লৈবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা জেলদা থা ৫ লৈরুরবা মতুং মমাং থাগী ২৮ দা থাদোরকখিবনি। মহাকপু ফাদ্রিঙৈদা চহি অসিগী জনুৱারি ৩১ দা মুখ্য মন্ত্রি ফম থাদোকখি। মদুগী মতুংদা জনুৱারি থাদা মহাকপু ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা ফাখিবনি। মমাং চহিগী দিসেম্বর ২৯ দা হেমন্ট সোরেন্না রাজ্য অদুগী ১১ শুবা মুখ্য মন্ত্রি ওইবা ৱাশক লৌখিবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মখল অমত্তগী তেরোরিজমশিং শৌগৎফম থোক্তে। মহাকা হায়- তেরোরিষ্ট য়োকখৎপা, মখোয়বু চংজফম পীবা অমদি শৌগৎপা লৈবাকশিংবু ইন্তরনেসনেল কম্যুনিতিনা খঙদোকবা হোৎনগদবনি।

ৱাফম অসি কজাকস্থানগী আষ্টানাদা পাঙথোক্লিবা সংহাই কোর্পোরে ওর্গনাইজেসন এস.সি.ও সম্মিৎতা প্রধান মন্ত্রিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ঙমখৈ লান্না চখ্থরকপা তেরোরিজম অসি চপ চানা পাউখুম পীবগা লোয়ননা মখোয়দা শেল থাদরকপা অমদি মখোয়বু তেংবাং পীরক্লিবশিং অদুবুসু থেংনগদবনি। নহাশিংগী মরক্তা চরাংনবা ৱাখলশিং পোকহল্লিবশিং থেংননবা চপ চাবা খোঙথাং লৌখৎকদবনি।

উপ-রাষ্ট্রপতি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখর নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ৬ তা কেরলাদা চৎকনি। উপ-রাষ্ট্রপতিগী খোঙচৎ অসিগী অহানবা নুমিৎতা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ স্পেচ সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী ১২ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংগনি।

অসাম ঃ অসামদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই লাখ ১৬ হেন্না অৱাবা মায়োকরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিদা মীওই ৮ লৈখিদ্রে, মীওই অহুম থিবা খঙদ্রি। লৌফম হেক্তর লিশিং ৪২ হেন্না অমাং অতা থোকপগা লোয়ননা খুল লিশিং ২ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে। রাজ্য অসিগী জিলা ২৮ গী মীওই লাখ ১১ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। ব্রহ্মপুত্র, বরাক অমদি মসিগী তুরেল মশাশিং খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। লম্বী ৭৪ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। সরকারনা রিলিফ কেম্প ১৪০ হাংদোক্লে।

মরক অসিদা, ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ইমায় হেনগৎলক্লিবা অসিগা য়েংলগা লৱার অসামগী জিলা মরিদা সেন্ত্রেল ৱাটর কম্মিসননা ফ্লড এদভাইজরি অমা থোকখ্রে। জিলাশিং অদুদি-কামরুপ মেত্রো, কামরুপ, গোলপারা অমসুং ধুব্রিনি। ফ্লড এদভাইজরি অদুগী মতুং ইন্না ব্রহ্মপুত্র তুরেল অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে।

মেটঃ ইন্দিয়া মেটোরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-অৱাং নোংপোক ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদা মখা তানা নোং কন্না চুরবা য়াই। অরুনাচল প্রদেস, অসাম অমসুং মেঘালয়গী মফম খরদদি কা হেন্না কন্না নোং চুরবা য়াই।

লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিং-কেরলা, লক্ষদ্বিপ, করনাতক্কী সমুদ্র খোংবান, গৱা, গুজরাট, মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্র, অন্দ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবান, তামিল নাদু অমসুং তেলঙ্গানানচিংবা মফমশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদা নোং কন্না চুরবা য়াই।

সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ   ইম্ফালগী খুমন লম্পাক সাই এস.টি.সিদা চথ্বরকপা ওল ইন্দিয়া ইন্তর সাই সেপাক তাক্রৌ তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে। সাই এস.টি.সি ইম্ফালনা টিম চেম্পিয়ন ওইরে। অদুগা খেল্লো ইন্দিয়া সেন্তর ইম্ফাল ইষ্ট ওভর ওল টিম রন্নরসঅপ তারে।

ঙসি শান্নখিবা জ্নিয়র বোইজ অমসুং গার্লসকী ক্বাদ্রেন্ট ফাইনেলদা সাই এস.টি.সি ইম্ফালনা ৱিন্নর ওইরে। নুপীগী দবল ইভেন্ট ফাইনেল সাই এস.টি.সি ইম্ফালনা লৌরে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী সাই এন.ই.আর.সি ইম্ফালনা শিন্দুনা চথ্বরকখিবা তুরনামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৫ না শরুক য়াখি।

চেস (এল)ঃ  অহানবা দি.সি.এ ইন্তর স্কুল চেস তুরনামেন্ট ২০২৪ থা অসিগী ৬ তগী ৮ ফাওবা ক্বাকৈথেল হৈনৌ খোঙনেম্বীদা লৈবা পিতম্বরা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২৯ দগী মহৈরোই ৩০০ হেনবনা শরুক য়াগনি।

------